

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বেঙ্গালুরু এফ সিদা চহী অমা মখা তানা শান্নবগী মতম শাংদোকখ্রবা স্পেন মচা অলবার্ট সেরান*

*আর্জেন্টিনাগী গুইদো পেল্লা মায়থিবা পীরম্লগা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা স্পেনগী বোটিষ্টা আগুট*

## ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াবু রন ১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেল চঙখ্রে



*মেঞ্চেষ্টর, জুলাই ১০(এজেন্সি)ঃ* ইংলেন্দ অমসুং ৱেলসনা পুন্না য়ুম্ব ওইদুনা চথরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াবু রন ১৮ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ইংলেন্দগী সিটি মেঞ্চেষ্টরদা লৈবা ওল্ড ত্রাফোর্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ৪৭শুবা ওভরগী অহানবা বোল শান্নরবা মতুং বেটসমেন ৫ আওট ওইরগা রন ২১১ লৌদুনা লৈরিঙৈদা নোং লেপ্পনা চুরকপদগী শান্নবা লেপখি।

ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন রোজ টেলর অমদি টোম লাথম মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ৬৭ অমদি ৩ লৌদুনা লৈখিবা অদুগী ঙসি মখা চথরকপদা রোজ টেলর অপুনবা রন ৭৪ দা আওট ওইখি। টোম লাথমসু মখা তানা রন ৭ হাপচিল্লগা অপুনবা রন ১০ দা আওট ওইখি। ন্যু জিলেন্দগী ইন্নিংস অদু ওভর ৫০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২৩৯ দা লোইশিনখি।

ন্যু জিলেন্দগী বেট্টিং অদুদা ওপনর মার্টিন গুপ্টিল শুপ্পগী রন ১ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর হেনরি নিকোলসসু বোল ৫১ দা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৮ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৩শুবা বেটসমেন টিম অসিগী কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসন অমদি ৪শুবা বেটসমেন রোজ টেলরনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নরক্কুনা টিম অসিগী অপুনবা স্কোর অদু ১০০ লাম্থোকহনবা ঙমখি। কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসন বোল ৯৫ দা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৬৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন জেমস নিসামসু বোল ১৮ দা শুপ্পগী রন ১২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন কোলিন দি গ্রান্ধোমেসু শুপ্পগী রন ১৬ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা ভুভনেশ্বর কুমারনা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইনা ন্যু জিলেন্দগী বেটসমেন ৩ আওট তাহনবা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা মেটচ অদু মায় পাক্নবগী রন ২৪০ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ৫০শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইরগা শুপ্পগী রন ২২১ খক লৌখিবদগী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু ন্যু জিলেন্দনা রন ১৮ দা মায় পাক্কুনা ফাইনেল য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম শোকখিবা স্কোর বোদতা শুপ্পগী রন ৫ শুরকপদা বেটসমেন ৩ আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন রিসব পন্ট রন ৩২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৬শুবা বেটসমেন হর্দিক পান্দিয়াসু রন ৩২ লৌরম্লগা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী ফিভম হেন্না শোকচিল্লকখি।

৭শুবা বেটসমেন এম এস ধোনি অমদি ৮শুবা বেটসমেন রবিন্দ্র জাদেজানা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা মায় পাক্নবা হোৎনরকখি। অদুবু রবিন্দ্র জাদেজানা বোল ৫৯ দা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৭৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি। এম এস ধোনিসু বোল ৭২ দা সিক্স অমদি ফোর অমমম য়ৈরম্লগা আওট ওইখ্রবা মতুং মখা তানা চঙলকখিবা বেটসমেনশিং রন নীংথিনা লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ন্যু জিলেন্দনা রন ১৮ দা মায় পাকখি।

## কম্মনৱেল্‌ঠ ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপকী অনীশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটরশিংনা গোল্ড ৭ লৌখ্রে



*নুপীগী কেজি ৬৪ গী কেটেগোরিদা গোল্ড লৌখ্রবী রাখি হাল্ডর*

*এপিয়া (সামোৱা), জুলাই ১০(এজেন্সি)ঃ* সামোৱা আইলেন্দগী কোনুং এপিয়াদা চথরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি নিনিশুবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটরশিংনা গোল্ড মেডল ৭ লৌবা ঙমখ্রে।

কম্মনৱেল্‌ঠ ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা য়ুঠ, জুনিয়র অমদি সেনিয়র কেটেগোরিদা তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাকপা ৱেঠলিফটিরশিংনা লম্বা তৌনরিবনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটিরশিংনা ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান–তোঙানবা কেটেগোরিশিংগী য়ুঠ অমদি জুনিয়র সেক্সনদা পুন্না গোল্ড মেডল ৫ লৌবা ঙমদুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি।

কম্মনৱেল্‌ঠ ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৬৪ গী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটর রাখি হাল্ডরনা স্নেটচতা কেজি ৯৪ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১২০ পুন্না কেজি ২১৪ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৫৯গী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ৱেঠলিফটির দাভিন্দর কোরনা স্নেটচতা কেজি ৮০ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১০৪ পুন্না কেজি ১৮৪ থাঙ্গৎতুনা কেটেগোরি অসিগী গোল্ড মেডল লৌখি।

জুনিয়র এন্দ য়ুঠকী কেজি ৪৯গী কম্পিটিসনদা ইন্দিয়াগী ভাক্তরাম দেষ্টিনা স্নেটচতা কেজি ৭৭ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি পুন্না কেজি ১৮৫ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল ফংখি।

নুপীগী জুনিয়র কেজি ৪৫ গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী বোর্নালি বোরানা স্নেটচতা কেজি ৫৫ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ৭৬ পুন্না কেজি ১৩১ থাঙ্গৎপা ঙমদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ৱেঠলিফটর সাক্সি মাস্কেনা স্নেটচতা কেজি ৫৮ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ৭২ পুন্না কেজি ১৩০ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেডল লৌখি।

য়ুঠকী কেজি ৪০গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী সোমিয়া দেবীনা স্নটচতা কেজি ৫১ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ৫৮ পুন্না কেজি ১০৯ থাঙ্গৎপা ঙমদুনা গোল্ড লৌখি। কেটেগোরি অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ৱেঠলিফটর রেখামোনি গোগোইনা স্নেটচতা কেজি ৪৭ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ৫৯ পুন্না কেজি ১০৬ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটিরনা কম্মনৱেল্‌ঠ ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙরাং অহানবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা গোল্ড ৮, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পুন্না মেডল ১৩ ফংবা ঙমদুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী সনিয়া ৩০শুবা তাহৌরে

*লোনাটো, জুলাই ১০(এজেন্সি)ঃ* ইটালিগী সিটি লোনাটোদা চথরিবা সোটগন ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী সুট্টর নেসনেল চেম্পিয়ন সনিয়া সৈখ নুপীগী স্কিট ইভেন্টতা পুন্না স্কোর ১১২ তৌদুনা ৩০শুবা পোজিসন তাহৌরে।

নুপাগী স্কিট ইভেন্টকী ফাইনেল রাউন্দদা চেক রিপব্লিক্কী সুট্টর দেনিয়েল কোরকাকনা স্কোর ৫৫ তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। ইটালিগী এন্দ্রিয়া লাপুসিনা পোইন্ট ৫৪ স্কোর তৌদুনা সিলভর মেডল ফংখি। অদুগা জর্মনিগী দেবিদ জেমসনা পোইন্ট ৪৪ স্কোর তৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

নুপাগী জুনিয়র স্কিট ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী সুট্টর গুরনিলাল সিংহ গারচানা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পুন্না পোইন্ট ১০৯ স্কোর তৌদুনা ৩১শুবা পোজিসন তাহৌখি।

## দুতি চান্দনা গোল্ড লৌদুনা পুৱারী শেমখ্রে



*নাপোলি, জুলাই ১০(এজেন্সি)ঃ* ইটালিগী সিটি নাপোলিদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড য়ুনিভরসিয়াদতা ইন্দিয়াগী নুপী স্প্রিন্টর দুতি চান্দনা মিটর ১০০ গী লমজেলদা গোল্ড মেডল লৌদুনা পুৱারী শেমখ্রে।

ৱার্ল্ড য়ুনিভরসিয়াদকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেলদা ১১.৩২ সেকেন্দদা পম্বুংফম য়ৌদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমদুনা ইভেন্ট অসিগী ওইনা ইন্টরনেসনেল লেবেলদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙন্নী অহানবা ইন্দিয়াগী নুপী এঠলিট ওইবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২৩শুরবী দুতি চান্দনা মিটর ১০০ গী লমজেলদা অসিদা নেসনেল রেকোর্দ ওইনা ১১.২৪ সেকেন্দদা চেনবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপী এঠলিট দুতি চান্দ মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসকী মিটর ১০০ অমদি ২০০ গী লমজেলদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি।

নুপীগী মিটর ১০০ গী লমজেল অসিদা স্বিটজরলেন্দগী এঠলিট দেল পোন্টেনা ১১.৩৩ সেকেন্দদা চেন্দুনা সিলভর মেডল লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা জর্মনিগী এঠলিট লিসা ক্বা য়ৈনা ১১.৩৯ সেকেন্দদা ফংখি।

## নুপাগী সিঙ্গলস ৱার্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী জোকোভিস ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



*লন্দন, জুলাই ১০(এজেন্সি)ঃ* টেন্নিস মশান্নগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস ক্বার্টরফাইনেল মেটচ মায় পাক্কুনা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ২১শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ষ্ট্রেট সেট অহুম ৬–৪, ৬–০, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা সেমি ফাইনেলদা ২৩শুবা সিদেদ স্পেনগী রোবার্টো বোটিষ্টা আগুটকা লম্বা তৌরনরগনি। স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ২৬শুবা সিদেদ আর্জেন্টিনাগী গুইদো পেল্লাবু ৭–৫, ৬–৪, ৩–৬, ৬–৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা অনীশুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেন্দরর অমদি ৩শুবা সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালনা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ জপানগী কৈ নিসিকোরিবু ৪–৬, ৬–১, ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা য়ু এস এগী সাম ক্বেরিবু ষ্ট্রেট সেট ৭–৫, ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপা ঙমখি।

ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা অনীশুবা সিদেদ চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা ৮শুবা সিদেদ পেয়র জর্মনিগী অনা লেনা গ্রোনেফেল্ড অমদি নেদরলেন্দসকী দেমী স্কুর্সপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–২, ৭–৬(৭–১) দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ পেয়র চাইনিজ তাইপৈগী সৈ সু ৱৈ অমদি চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা ৬শুবা সিদেদ পেয়র বেলজিয়মগী এলিস মার্টেন্স অমদি বেলারসকী অরিনা সবালেনকাবু ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

### ক্রোসৱার্দ ২১৫ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| W | A | S | T | E | ■ | A | B | L | E | ■ | P | A | P | A |
| A | S | H | E | S | ■ | G | A | I | N | ■ | E | R | A | S |
| R | E | A | M | S | ■ | U | S | E | R | ■ | R | E | S | T |
| T | A | R | P | ■ | ■ | A | S | S | O | C | I | A | T | E |
| ■ | ■ | P | T | A | S | ■ | ■ | ■ | L | O | O | S | E | R |
| E | V | E | ■ | S | T | A | R | T | L | E | D | ■ | ■ | ■ |
| P | I | N | ■ | P | A | R | E | R | ■ | D | I | N | G | O |
| I | S | E | E | ■ | T | I | N | E | S | ■ | C | O | I | N |
| C | A | R | A | T | ■ | S | T | A | L | E | ■ | I | N | C |
| ■ | ■ | ■ | S | E | M | E | S | T | E | R | ■ | S | S | E |
| A | L | P | I | N | E | ■ | ■ | ■ | W | E | R | E | ■ | ■ |
| R | O | U | N | D | T | R | I | P | ■ | ■ | A | L | T | O |
| O | G | L | E | ■ | R | I | D | E | ■ | S | T | E | I | N |
| M | I | S | S | ■ | I | C | E | R | ■ | A | I | S | L | E |
| A | C | E | S | ■ | C | H | A | T | ■ | N | O | S | E | S |

## অলবার্টকী কন্ট্রেক্ট শাংদোকখ্রে

*বেঙ্গালুরু, জুলাই ১০(এজেন্সি)ঃ* ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিদা শান্নরিবা স্পেন মচা অলবার্ট সেরান ক্লব অসিদা মখা তানা চহী অমা শান্ননবগী কন্ট্রেক্ট শাংদোকখ্রে।

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাকী ক্লব ইস্পানিওলদা শান্নরম্বা অলবার্ট সেরান ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মমাঙগী সিজনদা বেঙ্গালুরু ফুটবোল ক্লবদা শরুক য়াদুনা মেটচ ১৭ শান্নবা ঙমখ্রে।

অলবার্ট সেরান কুমজা ২০০২ দা স্পেনগী ক্লব ইস্পানিওলদা অহানবা ওইনা শান্নবা হৌখি। মসিগী মতুংদা ইংলেন্দগী ক্লব স্বান্সে সিটি য়াওনা য়ুরোপকী তোঙান–তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংদা শান্নরকখ্রবা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোইনি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 1410/SDC/IW(C) dt. 8/07/2019

Khaidem Dineshchandra S/o (L) Bodhachandra Singh of Sega Lambi Konjeng Hazari Leikai

Petitioner

-Vs-

Late Khaidem Bodhachandra Singh S/o (L) Apabi Singh of -do-

O.P.Party

**NOTICE**

Imphal, the 10 / 7 / 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Late Khaidem Bodhachandra Singh S/o (L) Apabi Singh সাং Sega Lambi Konjeng Hazari Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband গী অনৌবা পাট্টা নম্বর 494 অরিবা পাট্টা নং 299 দাগ নং 13051 অমসুং এরিয়ানা .0464 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

SL/5086(1)/11

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mut. Case No. 1409/SDC/IW(C) dt. 8/07/2019

Khaidem Maheshchandra S/o (L) Bodhachandra Singh of Sega Lambi Konjeng Hazari Leikai

Petitioner

-Vs-

Late Khaidem Bodhachandra Singh S/o (L) Apabi Singh of -do-

O.P.Party

**NOTICE**

Imphal, the 10 / 7 / 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Late Khaidem Bodhachandra Singh S/o (L) Apabi Singh সাং Sega Lambi Konjeng Hazari Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নম্বর 85-Sagolband গী অনৌবা পাট্টা নম্বর 1307/2949 অরিবা পাট্টা নং 2335 দাগ নং 13055/13141 অমসুং এরিয়ানা .0512 হেক্টর চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারীশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙলবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌরগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

SL/5086(2)/11

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West, Central



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF VETERINARY & A.H. SERVICES**

-------------

"ওকশিংদা নাগনবা লায়না স্বাইন ফিভর"
(ওক লোইবিরিবা ফার্মরশিংদা খঙহঞ্জবা)

স্বাইন ফিভম কৌবা লায়না অসি হোগ কোলেরা হায়নসু খঙনবা ওক্তা নাগনবা লায়না অমনি। মসি য়াম্না লৌনগদবা মহিক, ভাইরসনা থোকহনবা ওক্কী মখল খুদিং অমসুং মশাগী চহী মতাং থিদনা নাগনবা লায়না মখল অমনি।



- ⇨ লায়না অসি আর এন এ ভাইরস পেস্তিভাইরস হায়না খঙনবা মখল অমনা থোকহনবনি। য়াম্না শন্দোক্কনবা লায়না অসিগী লায়চৎ মতমদা নাবা অমসুং শিবগী চাং অসি চাদা চাম্মা ফাওবা য়ৌই।
- ⇨ লায়না অসিগী মহিক অসি চেল্লবা অনাবা অমদগী চানবা মচিঞ্জাক অমসুং ঈশিং, থকপা চাবা মতমদা য়াওখিবদগী অয়াম্বা মতমদা লায়না অসি শন্দোকই অমসুং অনাবগা নক্কনা লৈবশিংনা শ্বর হোনবদা মহিক অসি হোনজিনখ্রগসু লায়না অসিনা নাহল্লি।
- ⇨ অনাবা ওক্কা শোক্না শম্নরুবদগী লায়না অসি শন্দোকই, মরমদি অনাবা ওক্কী মনপ মতিন, মথি ময়ুংনচিংবদা ভাইরস অসি য়াওই। মহিক অসিনা নাবা ফরবা ওক্কী মথী অমদি ময়ুংদা চয়োল ২ দগী ৩ ফাওবা য়াওদুনা হিংবা ঙম্মী। মসিনা মখা তানা শন্দোরক্নবগী মরম ওইরকই।
- ⇨ নাবা ফরবা ওক্না লায়না অসিগী মহিক চেন্দুনা কেরিয়ার ওইদুনা লৈ।
- ⇨ মচিঞ্জাক হাপ্পা পাত্র, মকোন্দা চঙথোক–চঙশিন তৌবদা শিজিন্নরিবা খোংউপ বুট অমসুং ওক পুথোক পুশিন তৌনরিবা গাড়ীনচিংবদগীসু লায়না অসি শন্দোকই।
- ⇨ মরুওইবা লায়ওংশিংদি লাইহৌ কন্না হৌবা, চানিং থক্লিং পোক্তবা, মশা শোম্বুবা, মশা কোনথোক কোনশিন য়াদবা, মখোং মহি লাংবা হাম্বা, ওবা, উনশাগী শরুক্তা মুরৈননা খাম্বা অসিনচিংবনি।
- ⇨ পোষ্ট মোর্টেম অমদি Laboratory দা চাংয়েং তৌথোক্কুনা চপ চানা লায়না অসিনা নারে হায়বা খঙদোকপা য়াই।

লায়না অসিগী চপ চাবা লায়েং লৈতে। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্নবা অমত্তা ঙাইরবা পান্থৈদি মতম চানা নাদ্রিঙৈদা মাঙজৌননা তিকা থাদোকপীবা / কাপথোকপীবা অসিনি। অদুনা ওক লোইবিরিবশিংনা মাঙজৌননা লায়নাশিং অসিদগী ঙাকথোক্নবা তিকা (ভেক্সিন) কাপথোক্নবা / থাদোকপীনবা ডিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈবা ভেটিরিনরি হোস্পিটাল। ডিস্পেনসরি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী ওফিসারশিং অমদি ষ্টাফশিংগা তান্নবিদুনা অমসুং পাও ফাওনবিদুনা মতম চানা তিকা (ভেক্সিন) থাদোকপীয়ু। ওক মচাশিংনা মপি হেক খায়নরকপা মতমদা তিকা থাদোকপা য়ারে অমদি ওক খূদিংমক চহী খুদিংগী ওইনা শুকশোই শোয়দনা তিকা থাদোকপীগদবনি।

খঙহঞ্জরিবা ঃ
ডাইরেক্টর,
দিপার্টমেন্ট ওফ ভেটেরিনরি এন্দ এনিমেল হসবেন্দরি,
মণিপুর

SL/B(V)/7-11June 19



**TRANSFER OF OWNERSHIP**

This is hereby informed that **M/S P.I.S. Brick Field** operating under Factory **Licence No. 105/FACT/Brick** located at Wangjing Saban Checkon Leikai, P.O. Wangjing Thoubal District will change ownership from the present owner namely **Shri Paonam Kebisana Singh** Wangjing to **Smt. Paonam Memcha Devi**, Wangjing on the demise of Shri Paonam Kebisana Singh.

Any objection should reach Chief Inspector of Factories and Boilers cum Director of Trade Commerce & Industries Manipur within 14 (fourteen) days from the date of publication.

Sd/-
Philip Paonam
# 9650834413

SL/5075/10,11 &12